অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন অমসুং অন্দর-১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮

এস ৱাই য়ু সী অমসুং এস ঈ ৱাই ও মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএন এস) ঃ মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী এষ্ট্রো টর্ফ হোকি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন অমসুং অন্দর-১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী মেচশিংদা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন খুনৌ অমসুং এস ঈ ৱাই ও ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায় মায় পাকখ্রে।

চহী ১৬ মখাগী নুপীগী কেটাগোরিদা টিম ৭না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী অমসুং চহী ১৪ মখাগী নুপাগী কেটাগোরিদনা টিম ৯না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন অমসুং অন্দর-১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী লীগ রাউন্দগী ১৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী এস ঈ ৱাই ও ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায় অমসুং পি ঐচ এ এম ইম্ফাল শান্নখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা মিনটতা পি ঐচ এ এমগী জর্সি নম্বর ১৭ এন রোজিৎনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মিনট অহুম কান্নরগা মেচকী ৫শুবা মিনটতা এস ঈ ৱাই ওগী জর্সি নম্বর ১৭ আই রোহিটনা পেনালটি কোর্নরদগী গোল অমা চন্দুনা পি ঐচ এ এমগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোকখি। মেচকী ১৩শুবা মিনটতা এস ঈ ৱাই ওগী জর্সি নম্বর ৪ এন অমরজিৎনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিনখি। মেচকী ২০শুবা মিনটতা এস ঈ ৱাই ওগী মায়কৈদগী আই রোহিটনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৩-১দা মাঙজিল থাখি। মেচকী ২২শুবা অমসুং ২৪শুবা মিনটতা পি ঐচ এ এমগী জর্সি নম্বর ৯ এন দত্তনা গোল অনী মথং মথং চনশিন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিম্না গোল ৩-৩দা লৈহনখি।

অনীশুবা হাফকী ৩৬শুবা মিনটতা এস ঈ ৱাই ওগী জর্সি নম্বর ৪ এন অমরজিৎনা পেনালটি কোর্নরদগী গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৪-৩দা অমুক মাঙজিল থাখি। পি ঐচ এ এমগী জর্সি নম্বর ৯ এন দত্তনা মেচকী ৪১শুবা মিনটতা সেওগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোকখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ৪৪শুবা মিনটতা এস ঈ ৱাই ওগী আই রোহিটনা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চন্দুনা হেটট্রিক লৌরগা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস ঈ ৱাই ওনা পি ঐচ এ এমবু গোল ৫-৪দা মায়থীবা পীখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী লীগ রাউন্দগী ১৪শুবা মেচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দগী গ্রুপ বিগী হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমসুং এস ৱাই য়ু সী উচেকোন খুনৌ শান্নখি। মেচ অদু এস ৱাই য়ু সীনা হোকি য়ুনিয়নবু গোল ৪-৩দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর ১৪ মেন এন্দ অন্দর ১৬ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী নুপীগী কাঙলূপকী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা পুল এগী ৱিন্নর এস ৱাই য়ু সী উচেকোন খুনৌ অমসুং পুল বিগী রন্নর্স-অপ বিষ্ণুপুর হোকিগা হয়েং শান্নগনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা পুল বিগী ৱিন্নর ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ অমসুং পুল এগী রন্নর্স-অপ আইদিএল তেরা বজারগা শান্নগনি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৯

১। চাইনানা হৌদোকখিবা মশান্না অমা জপান্না য়াম্না পান্থা মশান্না অমা ওইখি। মশান্না অসি চাইনাদা কয়া থৌওইবিদে। কুমজা ১৯৬০দা জপানগী টিম অমা চাইনাদা লাক্তুনা মশান্না অসি ৩০রক শিংনখিবদা জপান্না ২৮ লক থোইখি। মশান্না অসিগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ কুমজা ১৯৭৯দা অহানবা ওইনা পাঙথোকখি। মশান্না অসিগী মমিং পীয়ু।

২। মহাক ওলেম্পিক্কী হিয়াং তান্নবদা সনাগী মেদল অনী ফংখি। অমেরিকাগী প্রসিদেন্টকী ভোট লেপ্পদা কাখিদে। মহাক মালেম শিনবা থুংনা ফাওবা দাক্তর অমনি। মহাক কনানো?

৩। কুমজা ১৯৪৭তা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসন শেমখি। চহী অদুমক্তদা ষ্টেটকী থাক্তা শান্নবগী লূপ অমসু শেমখি। শান্নবগী লূপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪। ওলেম্পিক্কী নূং লংবদা শরুক য়াখিবা নিপা অমনা মহাক্কী নূং অদু লংবা মতমদা জজনা দিসক্বালিফাই অনীরক পীখি। মরমদি মহাক্না নূং লংবা মতমদা মখজাই শোক্না নূং অদু থমগদবনি নৎত্রগা খজাই ময়াদা য়াম্না নক্না লেংজুমদা থল্লগা লংগদবনি। মহাকপু দিসক্বালিফাই ওইহনখিবদি মহাক্না চৎন-কাঙলোন অদু ঙাকখিদবননি। নূং অদু অনীরক হুনবদা দিসক্বালিফাই ওইখিবদগী মহাক শাউদুনা অহুমশুবা নূং অদু লংখিদে, মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা

hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

১৭শুবা সব জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

এন ৱাই ভি এ, টি আর ৱাই ভি সী, বাখে, এস দি সী, এ এম ৱাই সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএন এস) ঃ ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসন (এ এম ভি এ) গী মীৎয়েং মখাদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ৱাংপোকপী পাঙলতাবীদা ঙরাংদগী হৌদুনা থা অসিগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭শুবা সব জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন ৱাই ভি এ নাওরেম, টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুল, বাখে সনাকৈথেল, এস দি সী শমুরৌ অমদি এ এম ৱাই সী অন্দ্রো মায় পাকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী টিম ১২না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ১৭শুবা সব জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী তরুকশুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল শান্নখি।

মেচ অদু এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না ৩-০ (২৫-১৫, ২৭-২৫, ২৫-২০) দা, অনীশুবা গ্রাউন্দগী ৭শুবা মেচ ওইনা গ্রুপ সীগী টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুল অমসুং এস দি আই ইশোক শান্নখিবা মেচ অদু টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুলনা ৩-০ (২৫-২৩, ২৫-১৭, ২৫-২৩) দা, অহুমশুবা গ্রাউন্দগী ৮শুবা মেচ ওইনা গ্রুপ এগী বাখে সনাকৈথেল অমসুং এস দল্লিয়ু ৱাই সী শান্তিপুর শান্নখিবা মেচ অদু বাখে সনাকৈথেলনা ৩-০ (২৫-৯, ২৫-১৭, ২৫-১৯) দা, মরিশুবা গ্রাউন্দগী ৯শুবা মেচ ওইনা গ্রুপ দিগী এস দি সী শমুরৌ অমসুং ৱাই পি হিয়াংলম হিরানমৈ শান্নখিবা মেচ অদু এস দি সী শমুরৌনা ৩-০ (২৫-১১, ২৫-১৬, ২৫-২১) দা, মঙাশুবা গ্রাউন্দগী ১০শুবা মেচ ওইনা গ্রুপ সীগী টি আর ৱাই ভি সী উখ্রুল অমসুং এস য়ু দল্লিয়ু সী ইরেংবম শান্নখিবা মেচ অদু টি আর ৱাই সী উখ্রুলনা ৩-২ (২১-২৫, ১৯-২৫, ২৫-২০, ২৫-২১, ১৫-৬) দা অমসুং তরুকশুবা গ্রাউন্দগী লীগ রাউন্দগী ১১শুবা মেচ ওইনা গ্রুপ বিগী এ এম ৱাই সী অন্দ্রো অমসুং মিখ্যা ময়াং ইম্ফাল শান্নখিবা মেচ অদু এ এম ৱাই সী অন্দ্রোনা ৩-২ (১৯-২৫, ২৫-১২, ১৫-২৫, ২৫-১৪, ১৬-১৪) দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেচ ওইনা ঙসি গ্রুপ এগী আই জি ও ওইনাম অমসুং এস দল্লিয়ু ৱাই সী শান্তিপুর শান্নগদবা মেচ অদু য়ৈথোক্তুনা হয়েং অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

৭শুবা ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট

কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখূৎনা শিংজমৈ কেন্দ্র-এ কাংখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস) ঃ শিংজমৈ কাঙখূৎ চীংঙা-মথকনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমদি পুন্যবতিগী মীংদা হরে কৃষ্ণ অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা স্পোন্সর তৌদুনা চথরিবা ৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখূৎনা শিংজমৈ কেন্দ্র - এ কাংখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে।

কাংখূৎ ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ৭শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী অরোইবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখূৎ অমসুং শিংজমৈ কেন্দ্র-এ কাংখূৎ শান্নখি।

মেচ অদু শিংজমৈ কেন্দ্র-এ কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি অদুগা কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখূৎনা মায়কৈ খনখি। কাংখূৎ অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাপ্পখিবা কাং অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখূৎনা শিংজমৈ কেন্দ্র - এ কাংখূৎপু পাঞ্জল ১৯-১৩দা মায়থীবা পীখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা এম ইথোইনা অম্পায়র অমসুং এস সরতনা স্কোর কিপর ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দ মেচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা কৈশামথোং, শিংজমৈ-এ, ওইনাম, খুন্দ্রাকপম, ৱাঙ্গৈই, থোংজু, হৈঙাং অমসুং শিংজমৈ -বি ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ তৌখ্রে।

অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা থা অসিগী ২৭তা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র অমসুং ওইনাম কেন্দ্র কাংখূৎ শান্নগনি হায়রি।

চহী ১৬ মখাগী এ এফ সি চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়া অমসুং ইরানগী টিম পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে, নোকআউট ষ্টেজকী লম্বেল শেমখ্রে

কোলা লাম্পোর, সেপ্তেম্বর ২৪(এজেন্সী)ঃ মলেসিয়াগী কোনুং কোলা লাম্পোরদা লৈবা বুকিট জালিল ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা চহী ১৬ মখাগী এ এফ সি চেম্পিয়ন্সিপকী গ্রুপ 'সি'গী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইন্দিয়াগী টিম অমসুং ইরাননা লম্বা তৌনখিবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে। নোকআউট ষ্টেজগী লম্বেল শেমখ্রে।

ঙসিগী ফুটবোল মেচ অদু ইন্দিয়াগী পূৱারীদা য়াম্না নীংশিংনিঙাই ওইবা মেচ অমা ওইখি। ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা চহী কাংলূপকী ফুটবোল টিম অমনা ইরানগা শান্নবদা চহী ৩৩গী মতুংদা দ্রো চৎপা ঙমখিবনি। কুমজা ১৯৮৪গী দিসেম্বর ৭তা সিঙ্গাপোরদা শান্নখিবা এসিয়া কপ ফাইনেলসতা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না ইরানগা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা অদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা মখোয়গী দিফেন্স লাইন অদুবু ঙাক শেনবা ঙমখি। মদুগা লোয়ননা টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা তাঞ্জা ফংখিবদা কাউন্টর এটেক্ট কয়া চথদুনা ইরানগী দিফেন্স লাইন অদুবু অৱাবা নংহনখি। মেচ অদুদা মপুং ওইনা ইরানগী শান্নরোয়শিং অদুনা বোল হেন্না পায়বা ঙমখি। অদুবু মখোয়না ইন্দিয়াগী মায়কৈদা পুশিল্লকখিবা এটেক্টশিং অদু দিফেন্দরশিংনা য়াম্না কন্না থিংদুনা থমখি। মদুদা লাম্হোরকপা বোলশিং অদু ইন্দিয়াগী গোলকিপর নিরজ কুমারনা ফজবা মওংদা ঙাকথোকপা ঙমদুনা ইরানগী এটেক্টশিং অদুবু অরেম্বা তাহনখি।

ইরাননা চথরকখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী কাওশিল্লকখিবা শাফু কল্লবা সোট অদু ইন্দিয়াগী গোলকিপর নিরজ কুমারনা য়াম্না ফজনা ঙাকথোকপা ঙমখি। শান্নবগী অহানবা হাফ লোয়গদবা মিনট ১০ রোম ৱাৎলিঙৈদা ইন্দিয়াগী এটেক্ট অমদা রিদজ দি মেলোনা কাওখিবা সোট অমা ইরানগী গোল পোষ্টতগী ইঞ্চি খর থৈদোকখিদুনা পাঞ্জল ওইহৌদবনি।

মেচ অদুগী অনীশুবা হাফকী লোয়শিল্লকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অনী মাঙজখি। অহানবা তাঞ্জা অদু ইন্দিয়াগী রবি রানানা খৎকৎখিবা বোল অদু ইরানগী গোল বারদগী খজিক ৱাংখৎখিদুনা পাঞ্জল ওইহৌদবনি। অদুগা অনীশুবা তাঞ্জা অদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সাইলোনা ইরানগী গোলকিপর অদুবু নাথৈদুনা পুথোরকখিবা বোল অদু অনকপা মফমদগী পাঞ্জল ওম্লোকপা ঙমখিদবনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদা ইরাননা পুশিল্লকখিবা এটেক্ট অমদা বোল অদু পেনাল্টি এরিয়া য়ৌশিল্লকখি। মদুবু থিংনবা হোৎনরুবদা চৎন-কাংলোন কায়খিবদগী পেনাল্টি অমা ইরাননা ফংখি। তাঞ্জা অদুদা ইন্দিয়াগী গোলকিপর নিরজ কুমারনা য়াম্না থৌনা ফনা পেনাল্টি সোট অদু ঙাকথোক্তুনা পাঞ্জল চলহনখিদে।

ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী শান্নরোয়শিং অসিনা ঙসি ইরানগা দ্রো চৎতুনা এ এফ সি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী গ্রুপ 'সি'দা মেচ অনী শান্নবা লোয়শিল্লকপদা পোইন্ট ৪ ফংদুনা পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। পনবা য়াবদি ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা মেচতা ভিএটনামবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখিবনি। ইরানগী টিম্না মখোয়গী অহানবা মেচ অদুদা ইন্দোনেসিয়াগী মখুত্তা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীবা নংখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা ইন্দোনেসিয়া অমসুং ভিএটনাম পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি। ইন্দোনেসিয়া অমসুং ইন্দিয়া মেচ অনী শান্নবা লোয়শিল্লকপদা মেচ অমমম মায়পাক্লগা মেচ অমমম দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৪/৪ ফংলি। অদুবু গোল দিফরেন্সতা ইন্দিয়াদগী ইন্দোনেসিয়ানা হেন্দুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইরি।

থা অসিগী ২৭তা ইন্দিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়ানা অরোয়বা লিগ মেচ শান্নগনি। অথোইবা টিম অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী নোকআউট ষ্টেজগীদমক য়েৎনবা লৈতনা ক্বালিফাই ওইরগনি। লোয়ননা মেচ অদু করিগুম্বা দ্রো চৎলবসু ইন্দিয়া অমসুং ইন্দোনেসিয়া লৈবাক অনীম্মক নোক আউট ষ্টেজ য়ৌগদৌরিবনি। করিগুম্বা মায়থীবা নংবা টিম অদু পাঞ্জল য়াম্না শোখনা মায়থীবা তারবদি নোকআউট ষ্টেজগী লম্বেলদা অয়েৎপা অমা লৈগদেরি। পোইন্ট ১/১ ফংলিবা ইরান অমসুং ভিএটনামগী মেচ অদুদা য়াম্না চাওনা মায়পাক্লবদি মায়পাকপা টিম অদু পোইন্ট ৪ ফংগদৌরিবনি। মরম অদুনা ইন্দিয়ানা নোকআউট্ট ষ্টেজ য়ৌননবা ইন্দোনেসিয়াগা শান্নগদবা মেচ অদু মায়থীবা য়াদে।

মণিপুর ষ্টেট খো-খো পি ঐচ মনি শর্ম্মা নীংশিং ত্রোফি ২০১৮ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএন এস) ঃ মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা সলুংফম য়ুথ স্পোর্টিং এন্দ কলচরেল এসোসিএসন (এস ৱাই এস সী এ) সলুংফম্না শীন্দুনা ওক্টোবর ১০দগী ১৪ ফাওবা হৈরোক এ সীগী মনুং চনবদা লৈবা সলুংফমগী গ্রাউন্দদা ৪৩শুবা মণিপুর ষ্টেট সেনিয়র অমসুং ৩০শুবা মণিপুর ষ্টেট সব জুনিয়র (লেট টি ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল ত্রোফি) খো খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানীংবা মণিপুর এমেচর খো খো এসোসিএসন্দা এফিলিএট তৌবা খো খো য়ুনিটশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অসিগী এন্ত্রি ফোর্ম ওক্টোবর ৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবা য়াগনি। অদুগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পীশিনবা অমদি অকূপ্পা মরোল মণিপুর এমেচর খো খো এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম মোধুসুদোন্দগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

অল সালভাদোরগা শান্নগদবা চেছ ওলিম্পিয়াদকী অহানবা নুপাগী টিম টাইদা আনন্দ পোত্থাদদৌরি

বাটুমি, সেপ্তেম্বর ২৪(এজেন্সী)ঃ জিওর্জিয়াকী সিটি বাটুমিদা পাঙথোকপা ৪৩শুবা চেছ ওলিম্পিয়াদতা ইন্দিয়া অল সালভাদোরদা শান্নগদবা টাই অদুদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ৱর্ল্ড টাইটল ৫রক ফংবা ঙমখ্রবা গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বনাথন আনন্দ পোত্থাগদৌরি।

চহী ২/২ লৈরগা পাঙথোকপা চেছ মশান্নগী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেছ ওলিম্পিয়াদতা ইন্দিয়াগী টিমগী অহানবা টাই অদু অল সালভাদোরদা হয়েং শান্নগদৌরিবা অদুদা বিশ্বনাথন আনন্দ পোত্থাগদৌরি। ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমনা অল সালভাদোরগা শান্নগদৌরিবা অহানবা নুপাগী রাউন্দ অদুদা বোর্দ মরিদা লম্বগা তৌনগদৌরি। পোইন্ট ২.৫ ফংবা টিম অদুনা মায় পাকপা টিম ওইগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি চেছ ওলেম্পিয়াদ অসিদা মঙাশুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারকপনি। চেছকী লমদা মালেম্না মমিং খঙনরবা বিশ্বানাথন আনন্দবু ওলেম্পিয়াদ অসিগী শিল্লি লাংলিবা কাঙবুনা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা মহাকপু টিমশিংগী দ্রো শেম্বগী মতাংদা শরুক য়াহনখি।

অহানবা রাউন্দ অদুদা লম্বা তৌগদৌরিবা টিমশিং অদুগী পাঙ্গল শোনবা অমদি কনবা য়েংলগা ইন্দিয়ানা আনন্দ পোত্থাহনখিবগুম্না য়ু এস এগী মায়কৈন্দগীসু মখোয়গী অহানবা রাউন্দদা পানামাগা থেংনবদা করোনা পোত্থাহনখি।

পাকিস্তানবু ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিম এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌখ্রে

ডুবাই, সেপ্তেম্বর ২৪(এজেন্সী)ঃ য়ু এ ইগী সিটি ডুবাইদা লৈবা ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেট ষ্টদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী সুপর ফোরগী অনীশুবা মেচ অমদা ইন্দিয়না পাকিস্তানবু ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাংগী মেচ অদুদা টোস পাকিস্তান্না ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা পাকিস্তাননা অপীবা ওভর ৫০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৩৭ লৌবা ঙমখি। পাকিস্তানগী ইন্নিংস অদু হৌরকপা ফজবা ওইখিদে। ওপনর ইমাম উল হখ রন ১০দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা বাবর অজামগা ফাকর জমানন্না ইন্নিংস অদুদা রন ৫৫ য়ৌহল্লকখি। জমান রন ৩১দা আউট ওইখিবদগী কেপ্তেন সরফ্রাজ অহমদ শান্নবা চঙলকখি। ১৬শুবা ওভরদা অজম রন ৯খক লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী পাকিস্তানগী বেটচমেন ৩ রন ৫৮দা তুখি।

নৌনা চঙলকখিবা সোইব মালিক অমসুং সরফ্রাজ অহমদনা পাকিস্তানগী ইন্নিংস অদু য়াম্না ফজবা তাঙ্কক অমদা পুশিল্লকখি। মখোয় অনীনা ৪শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক রন ১০৭ হাপচিন্দুনা টিম অদুগী স্কোর অদু ৩৮শুবা ওভর ফাওবদা রন ১৬৫ লৌদুনা লৈখি। কেপ্তেন অহমদ বোল ৬৬তা ফোর অনী য়ৈরম্লগা রন ৪৪দা আউট ওইখি। নৌনা শান্নবা চঙলকখিবা অসিফ আলিগা সোইব মালিকনা মখাতানা শান্নম্নিরকপদা রন ৩৮ হাপচিন্দুনা পাকিস্তানগী স্কোর অদু ২০৩ য়ৌহল্লকখি। মালিক বোল ৯০ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরম্লগা রন ৭৮দা আউট ওইখি।

পাকিস্তানগী ইন্নিংস মখাতানা চঙশিল্লকপদা রন ৩৪ হাপচিল্লগা লোয়শিনখিবদগী ইন্দিয়ানা মেচ অদু মায়পাক্লবা রন ২৩৮গী টার্গেট লৈখি। ইন্দিয়াগী বোলরশিংগী মনুংদা জসপ্রিট বুমরা, য়ুজবেন্দ্র চাহল অমসুং কুলদিপ যাদবনা পাকিস্তানগী বেটচমেন ৩/৩ আউট তাহনবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা রন ২৩৮গী টার্গেট অদু য়ৌননবা হোৎনরকপদা শুপ্নগী ওভর ৩৯গা বোল ৩ মায়োক্লখি। ওপনর সিখর ধৱন অমসুং কেপ্তেন রোহিট শর্ম্মানা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক রন ২১০ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী ওপনর অনীনা পাকিস্তানগী বোলরশিং অদুগী এটেক্ট অদু য়াম্না লায়না মায়োক্লদুনা শান্নবা ঙমখি।

ইন্নিংসকী ওভর ৩৪গী অহুমশুবা বোলদা ইন্দিয়াগী ওপনর সিখর ধৱন বোল ১০০দা সিক্স অনী অমসুং ফোর ১৬ য়ৈদুনা রন ১১৪ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী অপূনবা স্কোর অদু রন ২১০ ওইখিবনি। নৌনা শান্নবা চঙলকখিবা অম্বাতি রায়ুদু অমদি কেপ্তেন রোহিট শর্ম্মানা মখাতানা শান্নম্নিরকপদা আউট ওইদনা মেচ অদু মায়পাক্লবগী টার্গেট ওইনা লৈখিবা রন ২৩৮ অদু আউট ওইদনা লৌবা ঙমখিবদগী মেচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৯দা থোইবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী কেপ্তেন রোহিট শর্ম্মা ইন্নিংস অদু হৌরকপদগী লোয়বা ফাওবদা আউট ওইদনা বোল ১১৯দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৭ য়ৈরগা রন ১১১ লৌদুনা লৈখি। অমরোমদা অম্বাটি রায়ুদু আউট ওইদনা বোল ১৮দা ফোর অমা য়ৈরগা রন ১২ লৌদুনা লৈখি।

এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী সুপর ফোরদা ইন্দিয়ানা ঙরাং পাকিস্তানবু ৱিকেট ৯দা থোইখিবা অদুনা মরম ওইরগা থা অসিগী ২৮দা শান্নগদবা ফাইনেল মেচ অদুগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী চৎন-কাংলোনগী মতুং ইন্না টিম মরীগী সুপর ফোর লম্বাগী অরোইবা অমদি অহুমশুবা মেচ অদু ইন্দিয়না হয়েং অফঘানিষ্টানগা শান্নগনি। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদনা ঙরাং অফঘানিষ্টানবু রন ৩দা মায়থীবা পীরম্বা বাংলাদেশকা পাকিস্তানগা শান্নগদৌরি।

অফঘানিষ্টানগী টিম সুপর ফোর কম্পিটিসন অসিদা পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি। অদুগা হয়েং বংলাদেশ অমসুং পাকিস্তান লৈবাক অনীগী লম্বাদা মায়পাকপা টিম অদুদা ইন্দিয়াগা এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না স্রি লঙ্কাবু মরিশুবা টি-২০ মেচ ৱিকেট ৭তা থোইদুনা সেরিজ লৌখ্রে

কলম্বো, সেপ্তেম্বর ২৪(এজেন্সী)ঃ স্রি লঙ্কানা য়ূম্বু ওইদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমগা শান্নবা টি-২০ মেচ ৫গী সেরিজগী মরীশুবা মেচ অদু ইন্দিয়াগী টিম্না ৱিকেট ৭তা থোইদুনা সেরিজ অদুদা মেচ ৩-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখিবদগী সেরিজ লৌখ্রে।

ঙসি স্রি লঙ্কাগী কোনুং কলম্বোদা লৈবা কলম্বো ক্রিকেট ক্লব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ৪শুবা মেচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা স্রি লঙ্কাগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০ মপূং ফানা শান্নবা ঙমদনা ওভর ১৭ শুরকপদা মখোয়গী বেটচৰুমেন ৫ আউট ওইরগা রন ১৩৪ লৌবা ঙমখি। স্রি লঙ্কাগী মায়কৈদগী ৪শুবা বেটচৰুমেন সসিকালা সিরিৱার্দেনেনা শুপ্নগী বোল ৩২দা সিক্স অমগা ফোর ৩ য়ৈদুনা রন ৪০ লৌখিবা অদুনা ইন্নিংস অদুগী খ্বায়দগী ফজবা ওইখি।

মহাকপু চাওনা মতেং পাঙখিবা অতোপ্পা বেটচৰুমেন অদু ওপনর অমসুং টিম অদুগী কেপ্তেন ওইখিবী চামারি অথাপাথুনা বোল ২৬তা সিক্স অমগা লোয়ননা ফোর ৩ লৌদুনা রন ৩১ লৌখিবা অদুনা ওইখি। স্রি লঙ্কাগী ইন্নিংস অদুবু ফজবা স্কোর অমা লৈহন্দনবা হোৎনবদা য়াম্না চাওনা থৌদাং লৌখিবা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংগী মনুংদা অনুজা পাটিলনা ৱিকেট ৩ লৌখিবা অদুনা ওইখি।

মেচ ৫গী সেরিজ অদুগী মরীশুবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মায়পাক্লনবা অপীবা ওভর ২০দা রন ১৩৫ লৌবগী টার্গেট লৈখি। মদু ফংননবা হোৎনরকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বেটচৰুমেন ৩ আউট ওইরগা ওভর ১৫গা বোল ৪দা রন ১৩৭ লৌবা ঙমদুনা মেচ অদু ৱিকেট ৭তা থোইবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা য়াম্না ফজবা ওইখিদে। ওপন্নর মিথালি রাজ অমসুং স্মৃিটি মন্ধনা মথংশিংনা রন ১১ অমসুং ৫ লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু ফিভম শোকখি। অদুবু অহুমশুবা বেটচৰুমেন জেমিনা রোদ্রিগেজ অমসুং অনুজা পটিলনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা মখোয় অনীম্মক আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ৫২ অমসুং ৫৪ লৌদুনা লৈখিবদগী মেচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৭তা থোইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী বেটচৰুমেন জেমিমানা বোল ৩৭তা সিক্স ২গা লোয়ননা ফোর ৫ য়ৈদুনা রন ৫২ লৌখিবনি। অমরোমদা অনুজা পাটিলনা বোল ৪২দা ফোর ৭ য়ৈরদা রন ৫৪ লৌদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খ্বায়দগী রন য়াম্না লৌবা ঙমখিবী শান্নরোয় অদু ওইখি। ঙসিগী মেচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৭তা থোইদুনা মেচ ৫গা টি-২০ সেরিজ অদুদা ইন্দিয়ানা মেচ ৩ থোইদুনা সেরিজ অদু লৌখিবনি। পনবা য়াবদি সেরিজ অসিগী অনীশুবা মেচ অদু নোংনা মরম ওইদুনা শান্নবা য়াখিববনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা স্রি লঙ্কাগী ইন্নিংস অদু ফিভম শোকহনখিদুনা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবী অনুজা পাটিলনা বেট্টিং তৌরকপা মতমদা আউট ওইদনা রন ৫৪ লৌখিবা অদুগীদমক মেচ অদুগী খ্বায়দগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা অদু মহাক্না ফংখি। লৈবাক অনীনা অরোয়বা অমদি মঙাশুবা মেচ অদু হয়েং লম্বা তৌনরগনি।

সাইনানা লুচিংগদৌরি

ন্যু দেল্লি, সেপ্তেম্বর ২৪(এজেন্সী)ঃ য়ু এস দোল্লর ৬০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী হয়েংদগী হৌগদৌরিবা কম্পিটিসন অদুদা ইন্দিয়াগী টিম সাইনা নেহৱালনা লুচিংগদৌরি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী মরুওইবা শান্নরোয় কিদম্বী শ্রীকান্ট টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারোইদবা মরম্না সমির বর্ম্মানা নুপাগী লুচিংবা ওইগদৌরি। সাইনা নেহৱালনা অহানবা রাউন্দদা কোরিয়াগী কিম হিয়ো মিনগা লম্বা তৌনগনি।